

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*আই–লীগকী মরুওইবা ফুটবোল ক্লব গোকুলাম কেরলাদা শান্নবগীদমক সাইন তৌখ্রবা ট্রিনিদাদ এন্দ টোবাগো মচা নাথানিয়েল গার্সিয়া*

*ৱুহান ওপন দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবী চেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই পেত্রা ক্বিটোভা*

## ইন্দিয়াগী স্বিম্মিং রিলে টিম্না এসিয়ান এজ গ্রুপ চেম্পিয়ন্সিপ্তা মাপনশুবা গোল্ড মেডল লৌখ্রে

*বেঙ্গালুরু, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সি)ঃ*
বেঙ্গালুরুদা লৈবা পাদুকোন–দ্রাভিদ সেন্টর ওফ স্পোর্টস এক্সেলেন্সতা চথরিবা ১০শুবা এসিয়ান এজ গ্রুপ স্বিম্মিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা মেদলি রিলে টিম্না মাপনশুবা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।



এসিয়ান এজ গ্রুপ স্বিম্মিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী ৪X১০০ মিটর মেদলি রিলে কম্পিটিসন্দা ইন্দিয়াগী নুপা রিলে টিম্না য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা অপুনবা মতম ৩ঃ৪৬.৪৯ দা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী ৪X১০০ মিটর মেদলি রিলে টিম অদু শ্রীহরি নাটারাজ, সাজন প্রকাস, লিকিথ এস পি অমসুং ভিরধৱাল খাদেনা শেম্বনি।

নুপাগী ৪X১০০ মিটর মেদলি রিলে কম্পিটিসন অসিদা ইন্দিয়াগী স্বিম্মর শ্রীহরি নাটরাজনা বেকষ্টোকদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা ৫৬.৫৫ সেকেন্দদা পন্থুং ফম য়ৌখি। ইভেন্ট অসিদা হোং কোংগী লাউ সিয়ু য়ুনা ৫৭.৭২ দা অনীশুবা অদুগা থাইলেন্দগী কাসিপাট চোগ্রেথিননা ৫৮.৪১ সেকেন্দদা অহুমশুবা তাখি।

অনীশুবা ইভেন্ট বট্টরফ্লাইদা ইন্দিয়াগী সাজন প্রকাসনা ৫৪.৫০ দা থাইলেন্দগী নাভাফাট ৱোং চারোনগা মান্নদুনা অহানবা পোজিসন তামিন্নখি। হোং কোংগী চিয়ুং য়াও মিংনা ৫৬.৬০ দা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী ৪X১০০ মিটর মেদলি রিলে কম্পিটিসন অসিগী অহুমশুবা ইভেন্ট ওইখিবা ব্রেষ্ট ষ্ট্রোকতা ইন্দিয়াগী স্বিম্মর লিকিথ এস পি না ১ঃ০৫.৮২ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা খ্বাইদগী মকোক ওইবা ঙমখি। থাইলেন্দগী নুট্টাপোং কেটিননা ১ঃ০৩.৬৯ সেকেন্দদা অনীশুবা অদুগা হোং কোংগী এনজি য়ান কিননা ১ঃ০৫.৮২ দা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী ৪X১০০ মিটর মেদলি রিলে কম্পিটিসন অসিগী মনুং চন্না ঙরাং পাঙথোকখিবা মিটর ৫০গী ফ্রিষ্টাইলদা ৫৩.০০ দা পন্থুংফম য়ৌদুনা খ্বাইদগী মকোক ওইখি। ইভেন্ট অসিদা থাইলেন্দগী টারিট থোংচুমসিননা ৫২.২৯ সেকেন্দদা অনীশুবা পোজিসন তারগা হোং কোংগী ফুং চুং হোনা ৫৩.৮৫ সেকেন্দদা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী ৪X১০০ মিটর মেদলি রিলে কম্পিটিসন অসিদা ইন্দিয়াগী মেদলি রিলে টিম্না অপুনবা মতম ৩ঃ৪৬.৪৯ সেকেন্দদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি। থাইলেন্দগী টিম্না অপুনবা মতম ৩ঃ৪৮.৮৯ সেকেন্দদা সিলভর মেডল লৌখি। অদুগা হোং কোংগী ৩ঃ৫৩.৯৯ সেকেন্দদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি।

## অহানবা মেটচ ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিম্না বেলজিয়মবু ২–০ দা থোইদুনা সেরিজ ১–০ দা মাঙজিল থাখ্রে

*এন্টৱের্প, সেপ্টেম্বর ২৬(এজেন্সি)ঃ*
ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিম্না বেলজিয়ম টুর অসিগী মনুং চন্না শান্নগদবা মেটচ ৩ গী টেষ্ট সেরিজগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী টিম্না বেলজিয়মবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ১–০ দা মাঙজিল থাখ্রে।



ইন্দিয়া অমসুং বেলজিয়মনা শান্নখিবা অহানবা মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। অহানবা ক্বার্টরগী মনুংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা অহানবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা বেলজিয়মগী গোলকিপর লোইক ভান দোরেননা য়াম্না ফজনা সেভ তৌখিবদগী ইন্দিয়ানা গোল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা ঙন্না মাঙজখি।

অনীশুবা ক্বার্টরগী অহানবা মিনটতা ইন্দিয়ানা পেনাল্টি কোর্নর অমসু ফংখি। খুদোংচাবা অদুসু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। অনীশুবা ক্বার্টর শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং অদু বেলজিয়মগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীমক গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক মরী–মরী চথদুনা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা অকনবা প্রেসর পীশিনদুনা লাকখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা গোল তম্না য়ৈশিনখিবা বোলশিং অদু বেলজিয়মগী গোলকিপরনা নীংথিনা ঙাকথোকখিবদগী গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি। অহুমশুবা ক্বার্টরগী শান্নবা লোইশিনখিবদসু গোল অমত্তা চন্নখিদে।

মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টর শান্নরকপা মেটচকী ৪৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই মন্দিপ সিংহনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীশিনখি।

বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৫৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা অকাসদিপ সিংহনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২–০ দা মায় পাকখি।

ইন্দিয়ানা সেরিজ অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা স্পেনগা থাংজা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৭.৩০ তাবদা শান্নগনি।

## ইন্দিয়াগী পঙ্কজ অদভানি–অদিত্য মেহটাগী পেয়রনা ৱার্ল্ড টিম স্নুকরগী টাইটল লৌখ্রে



*মন্দলে, সেপ্টেম্বর ২৬(এজেন্সি)ঃ*
ম্যান্মারগী সিটি মন্দলেদা চথরিবা আই বি এস এফ ৱার্ল্ড টিম স্নুকর চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী টিম পঙ্কজ অদভানি অমদি অদিত্য মেহরানা টাইটল লৌখ্রে।

আই বি এস এফ ৱার্ল্ড টিম স্নুকর চেম্পিয়ন্সিপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়া ৱান টিম (পঙ্কজ অদভানি–আদিত্য মেহরা) না থাইলেন্দ টুগী টিম্বু ফ্রেম ৫–২ (৬৫–৩১, ৬–৬৯, ৭৪(৫৫–৮, ২১–৬৪, ৫৫–৪৪, ৭২(৫২)–২৩, ৮৩–৯) দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী আই বি এস এফ ৱার্ল্ড টিম স্নুকর চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল লৌখিবা পঙ্কজ অদভানিগী ওইনা ২৩শুবা ৱার্ল্ড টাইটলনি। অদুগা আদিত্য মেহরাগী ওইনদি ৱার্ল্ড টাইটল অসি মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা ওইরিবনি।

নীংশিংবা য়াই, আই বি এস এফ ৱার্ল্ড টিম স্নুকর চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী পেয়র পনকজ অদভানি অমদি আদিত্য মেহরানা থাইলেন্দগী পেয়র থানাৱাট টিরাপোংপাইবুন অমদি কৃটসানুট লর্টসাট্টেয়াথোর্নবু ফ্রেম ৪–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী স্নুকর শান্নরোই পঙ্কজ অদভানি চয়োল অমগী ওইনা ইন্দিয়াদাদা হল্লক্লবা মতুং ওক্টোবরগী অহানবা চয়োলদা ওষ্ট্রেলিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড বিলিয়াদর্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

## কোরিয়া দি পি আর অমদি জপান ক্বালিফাই ওইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৬(এজেন্সি)ঃ*
কোরিয়া দি পি আর অমদি জপান ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা কুমজা ২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা য়ু–১৭ ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে।

থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা এ এফ সি য়ু–১৬ ৱুমেন'স চেম্পিয়ন্সিপ্তা কোরিয়া দি পি আর অমদি জপান ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। টিম অনীমক ফাইনেল য়ৌখিবনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

কোরিয়া দি পি আরনা সেমি ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা জপাননা চাইনা পি আরবু ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

কোরিয়া দি পি আর অমদি জপান মমাঙ চহীদা উরুগ্বেদা পাঙথোকখিবা য়ু–১৭ ৱুমেন'স ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

## স্পেনগী লা লীগা ফুটবোলদা রিয়েল মাদ্রিদনা ওসাসুনাবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা হাইগৎখ্রে

*মাদ্রিদ, সেপ্টেম্বর ২৬(এজেন্সি)ঃ*
স্পেনগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মকোক থোংবা ওইরিবা লা লীগা ফুটবোলগী ঙসি শান্নখিবা ৬শুবা রাউন্দগী মেটচতা রিয়েল মাদ্রিদনা ওসাসুনাবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা হাইগৎখ্রে।





রিয়েল মাদ্রিদ অমদি ওসাসুনানা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি হৌরকপদা লম্বা মান্নরকখ্রবসু রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি। মিনট ৩০ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীমক গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লাকখি।

মেটচকী ৩৬শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই ভিনিসিয়স জুনিয়রনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হেক হৌরকপদগী ওসাসুনাগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। ওসাসুনাগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৭২শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী অতোপ্পা শান্নরোই রোদ্রিগোনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ২৫ হেনবগী মতম অদু শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু রিয়েল মাদ্রিদনা ওসাসুনাবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা হাইগৎপা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা মাল্লোরকাবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী অনীশুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখি।

মেটচকী ২৬শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোই দিএগো কোষ্টানা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু গোল মাঙজিল থারিবা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা লাকখি। মেটচকী ৬৪শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা জোৱা ফেলিক্সনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২–০ দা মায় পাকখি।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা ভেলেন্সিয়া অমদি গেটাফে গোল ৩–৩ দা দ্রো চৎখি।

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এদা অটলান্টানা রোমাবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭১শুবা মিনটতা অটলান্টাগী শান্নরোই দুভান জাপাটানা গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী অরোইবা মিনটতা অটলান্টাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই মার্টেন্স দি রুননা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না রোমাবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

## ইন্দিয়াগী সট্টলর পরুপল্লি কাশ্যপ কোরিয়া ওপন বেদমিন্টনগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*ইঞ্চিওন, সেপ্টেম্বর ২৬(এজেন্সি)ঃ*
সাউথ কোরিয়াগী সিটি ইঞ্চিওনদা চথরিবা য়ু এস দোলর ৪০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপা সট্টলর পরুপল্লি কাশ্যপ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।





কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী পরুপল্লি কাশ্যপনা মালেসিয়াগী লিয়ু দিবু গেম ২–১ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিগী অহানবা গেম ইন্দিয়াগী কাশ্যপনা মালেসিয়াগী লিয়ুবু ২১–১৭ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদা মালেসিয়াগী লিয়ুনা য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা ইন্দিয়াগী কাশ্যপপু য়াম্না লায়না পোইন্ট ২১–১১ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেমদা ইন্দিয়াগী কাশ্যপনা মালেসিয়াগী লিয়ুবু হিরম খুদিংমক্তা লাকশিন্দুনা শান্নবা ঙমদুনা ২১–১২ দা থোইবা ঙমদুনা নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী সট্টলর পরুপল্লি কাশ্যপনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা দেনমার্ককী জোরগেসেনগা শান্নরগনি। জোরগেসেননা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ৮শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী এ এস গিন্টিংবু ১৭–২১, ২১–১৬, ২১–১৩ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা জপানগী কেন্টো মোমোটানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী কিমবু ২১–১২, ২১–৯ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টরফাইনেলদা মালেসিয়াগী লিগা শান্নরগনি।

মালেসিয়াগী লিনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা ৭শুবা সিদেদ দেনমার্ককী ভিক্টর এজেলসেনবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৮, ২১–১৬ দা থোইরম্বনি।

অনীশুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেনসু ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী কেন্টা নিসিমোটোবু ২১–১০, ১৬–২১, ২১–১৪ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী রুষ্টাভিটোগা থেংনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ৪শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টিনা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী কে ফেটপ্রাদাবপু ২১–৮, ২২–২০ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনিজ তাইপৈগী ৱাংগা শান্নরগনি। চাইনিজ তাইপৈগী ৱাংনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ৫শুবা সিদেদ দেনমার্ককী এন্দর্স এন্টোনসেনবু ২১–১৫, ২১–৬ তা মায়থিবা পীরম্বনি।

কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ২শুবা সিদেদ চাইনাগী চেন য়ুফৈনা কোরিয়াগী শান্নরোই কিমবু ২১–১৩, ২১–১১ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোই ৭শুবা সিদেদ হি বিংজিয়াওগা শান্নরগনি। হি বিংজিয়াওনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী জিন্দাপোলবু ২১–২৩, ২১–১৩, ২১–১৩ দা থোইরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৪শুবা সিদেদ ওইরিবী জপানগী নোজোমী ওকুহারানা অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুনবু ২১–১৩, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা কানাদাগী মিচেল লিগা শান্নরগনি। কানাদাগী মিচেল লিনা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এসকী বৈৱেন ঝাংবু ২১–১৫, ৮–২১, ২১–১৪ দা থোইরম্বনি।

৬শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোননা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী আয়া ওহোরিবু ২১–৪, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টরফাইনেল য়ৌদুনা জপানগী সায়াকা টাকাহসিগা শান্নগনি। টাকাহসিনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী ফিত্রিয়ানিবু ২১–১৬, ২১–৭ দা থোইরম্বনি।

চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী কাইবু ২১–১১, ২১–১১ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী জি এম টুনজুংগা শান্নরগনি। ইন্দোনেসিয়াগী টুনজুংনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা সাউথ কোরিয়াগী কিম জি ইয়ুনবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২২–২০, ১৫–২১, ২২–২০ দা থোইরম্বনি।

## চেক রিপব্লিক্কী পেত্রা ক্বিটোভা ৱুহান ওপন টেন্নিসকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*ৱুহান, সেপ্টেম্বর ২৬(এজেন্সি)ঃ*
চাইনাগী সিটি ৱুহানদা চথরিবা য়ু এস দোলর ২,৮২৮,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ৱুহান ওপন দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা চেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই পেত্রা ক্বিটোভা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৫শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিক্কী পেত্রা ক্বিটোভানা য়ুক্রেনগী দায়ানা য়াষ্ট্রেমস্কাবু ৬–২, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা য়ু এসকী এলিসন রিস্কেগা শান্নরগনি।

য়ু এসকী এলিসন রিস্কেনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাবু ষ্ট্রেট সেট ৬–১, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ৱুহান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি অমদি ৯শুবা সিদেদ বেলারসকী অরিনা সবালেনকা শান্নরগনি।

নম্বর ৱান সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ক্রোএসিয়াগী পেত্রা মার্টিকপু সেট অহুম চঙনা য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুং ৭–৬(৮–৬), ৩–৬, ৬–৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৯শুবা সিদেদ বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা কজাখষ্টানগী ইলেনা রাইবাকিনাবু ৬–১, ১–৬, ৬–১ দা থোইরম্বনি।

ৱুহান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ৪শুবা সিদেদ জর্মনিগী গ্রোনেফেল্ড অমদি নেদরলেন্দসকী স্কুর্সনা ৬শুবা সিদেদ পেয়র চাইনিজ তাইপৈগী ঐচ চান অমদি এল চানবু ৬–১, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

নুপীগী দবলসকী কাঙলূপ্তা ৮শুবা সিদেদ চাইনাগী ৱাই দুৱান অমদি রুশিয়াগী ভি কুদরমেটোভানা য়ুক্রেনগী কিচেনোক অমসুং য়ু এসকী স্পিয়র্সপু ৬–৪, ৭–৬(৭–২) দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেলদা জপানগী এম নিনোমিয়া অমদি চাইনাগী জেট য়াংগা লম্বা তৌনরগনি।

### ক্রোসৱার্দ ২৯০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| C | A | R | O | L | | A | C | T | S | | I | S | E | E |
| A | W | A | R | E | | P | L | E | A | | N | U | L | L |
| S | A | T | I | N | | P | E | R | T | | D | E | L | L |
| T | Y | S | O | N | | L | A | M | A | | I | D | E | A |
| | | | L | O | S | E | R | | N | B | A | | | |
| C | L | I | E | N | T | | | | | I | N | A | P | T |
| L | A | D | S | | I | N | O | P | E | R | A | B | L | E |
| A | P | E | | L | E | O | N | A | R | D | | E | E | N |
| R | E | A | L | E | S | T | A | T | E | | P | T | A | S |
| A | L | L | A | N | | | | | C | H | A | S | T | E |
| | | | S | O | W | | M | E | T | A | L | | | |
| I | O | W | A | | I | R | A | S | | R | E | G | A | L |
| F | L | A | G | | L | O | I | S | | A | T | O | N | E |
| F | E | R | N | | D | O | N | E | | S | T | O | N | E |
| Y | O | D | A | | E | K | E | S | | S | E | D | E | R |